# ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচান মীরাই নাইবা থৌশিল খুদক্তা লেপ্পুবদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী মথক্তা মীয়ামগী অকনবা ৱারেপ লৌরকপা য়াই : কোকোমি

ইম্ফাল, মে ০২(ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ৩০দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী অকাসোইগী মফম অমদা মহার রেজিমেন্টকী টিম অমনা ওপরেসন চথুদুনা খুল ঙাকপা ভোলন্টিয়র ১১ খূৎলায়গা কোন্ননা অফা অপূনগী থবক চথখিবা অদু থোক্লিবা ঈরাংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নাম্মতগী মীৎয়েংদা থবক তৌই হায়বদু তাকপনি হায়না কোকোমিনা লৌই হায়রি।

ৱাফম অসি কোকোমিগী মিদিয়া কোওর্দিনেটরনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অসি হেক থোকপগা মফম অদুগী মীয়াম্না মহার রেজিমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসরশিং উনদুনা মখোয়না ফাজিনখিবা খুল ঙাকপা ভোলন্টিয়রশিং অমদি টেররিষ্টশিংগী লান্দাদগী ঙাকথোকপদা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং ফাজনবা হায়জবদা তাবীদবদগী মীয়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনখি। খুল ঙাকপশিং ফাজিনবা য়ারোই হায়বা খোঙজং অদুবু নীংথিজনা তাবীবগী মহুত্তা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌদুনা অমসুং কেম্পর গাড়ী শীজিন্নদুনা ওভর পৱারদা মীয়াম অদুবু নমখায়বদগী অশোক অপন কয়া নংহনখি। চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা ইরমদমসিদা ইতৎ তত্তনা মফম কয়াদা লান্দারক্লিবসিদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা নীংথিনা মীয়াম্বু ঙাক শেনবা ঙমদবদগী মীয়াম্বু ঙাকথোকচনবা থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা থোরক্লিবা খুল ঙাকপশিংদা ঙাইহাক লৈতনা অয়েৎ অপন পীবগী থবক অসি খুদক্তা লেপকদবনি। লৈবাকসিগী অপূনবগী শক্তম অমদি মীয়াম কন্নবা থোরক্লিবা খুল ঙাকপশিং সেন্ত্রেল ফোর্সকী য়েক্নবা নত্তে। ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা খূৎ থাখিবা লৈখিদ্রি।

নাকল অমরোমদা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংবু মোরে লম্বীদা খূৎলায় শীজিন্নদুনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীখিবা অমদি সেন্টরদা অতম্ননা খূৎ থাদুনা পর্সনেল কয়াগী থৱায় মাঙখিবা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবদা উশিন্নদনা লৈথোক্লি হায়রি।

মরম অসিনা মহার রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা ওপরেসন চথুদুনা খুল ঙাকপা ১১বু অফা অপূন চথখিবা মফম কুম্বীগী অকাসোই খুলগী মীওই ৪বু খুলগী মনীং থংবদা লৈবা হাওতক খুলদা হৌখিবা জন্যুৱারী ১০দা শীং চনবা চৎপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মখূৎ চল্লবা মতুংদা হাৎতোকখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদদি আর্মিগী কাঙবু অসিনা ওপরেসন চথুদুনা চেন্নবশিং থি-হুম্বগী থবক তৌদনা ওন্ন-তৈননা খুল অসিবু ঙাক্লবা লৈরিবা খুল ঙাকপশিংবু অফা অপূন চথরকখিবা অসি কোকোমিনা লুজদবা থৌওংনি হায়না লৌই হায়রি।

সেন্ত্রেল লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা ইরমদমসিগী মীচম মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম থম্মোয় শেংনা ঙাক্লত্তবদগী খুঞ্জাশিংনা মশা কঞ্জনবগীদমক খুল ঙাকপা মথৌ তারকপদগী খুলশিং ভোলন্টিয়রশিংনা ঙাকচবনি। ফোরেন ইম্মিগ্রেন্ট নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীয়ামদা লান্দারক্তুনা য়ূম কৈ কয়া মৈ থাদুনা মীওই কয়া হাৎপা তুপ্পা চথরকপদসু সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা তূমিন্না য়েংদুনা লৈখিবদগী খুল ঙাকপা/খুলগী ভোলন্টিয়রশিংনা মশা মশাগী খুল ঙাকচবদা অথিংবা থমগে হায়বসি মীয়ামগী লৈঙাক অমগী লীচৎ নত্তে হায়রি।

করিগুম্বা আর্মিনা মণিপুরীশিংবু মখোয়গী সিটিজেননি খল্লগদি অসিগুম্বা থৌওং অসি চথরল্লোই হায়না কোকোমিনা লৌই। ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা চীং অমসুং তমগী লো অনী থোকপা, চীংগী লমদনা কা হেনবা এক্সন কয়া তৌরবসু কনা অমত্তা ফাবা পূনবা তৌদবা খুদম ওইনা চূড়াচান্দপুরগী দি সী ওফিস/সেক্রেটরিএট বিল্ডিং মৈ থারবা ফাওবদা য়েংদুনা লৈখি হায়রদুনা মমাঙ থাগী ১৬ অমসুং ১২দা নেসনল হায়ৱে অনীদা থোকখিবা থৌদোকশিং নৌহৌননা নীংশিংলদুনা মতিক চাদবা দি জি পিনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতবদগী থোকহনবনি। খুদক্তা মীচং মীখাই নাইবা সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি দি জি পি শিংদে দাকউ হায়রি।

# থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা চাউনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০২(ঐচএনএস) : ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা লেন য়াওনা নোংলৈ নুংশিৎ শিংখিবনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিংখিবনা মরম ওইদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা য়ুম-কৈ হুমদোকপদা নত্তনা উ-ৱা তেকহনবা অমসুং ইলেক্ট্রিক পোলশিং তেক্লুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।

থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা ফংলকপা পাউগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৪ রোম তারকপা অমসুং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা লেন তাবা য়াওনা শিংখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বদা অকায় অতোয় থোকহনখি। ফীভম অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতসু থোক্লুনা অমাঙ অতা মায়োক্লখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা মফমশিংগী মনুংদা ৱাঙখৌ লিপোকপীদা লৈবা এম বিজয়া লৈমা অমদি লৌরেংবম জিতেনগী য়ুমশিং হুমদোক্লুনা অমাঙ অতা থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা কাইরেনবিখোক্তা লৈবা এল পরেস, কে ঐচ চাউবা অমদি এম শান্তগী ফর্নিচর দুকান অমদি কার্পেন্টরি ৱার্কশোপশিংসু নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকখি। অদুগা কাইরেনবীখোক্তগীনা ৱাংজিং ফাওবগী মরক্তা হৌবা উ-ৱা কয়া তেকহনখি। ইলেক্ট্রিক পোল কয়াসু তুবগা লোয়ননা রায়র ফাওবা তৎপা য়াওবদগী মীয়াম্না মহৌশাগুম্না লম্বী অসিদা চৎখোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকখি।

য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা গুলমোহোর পাম্পি অমা ইলেক্ট্রিক্কী হায় টেন্সন রায়রদা তুম্বিনবদগী লম্বী চৎপদা অপনবা থোকখি। মফম অসিদা লৈবা দুকান/হোটেল অমসুং য়ুমচিবা কুপ্পিবা জিক্ষাখিদে নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোক্লুনা পাইথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পুখাও শান্তিপুরদা য়ুম খরা হুমদোকপদা নত্তনা খুল ঙাকপশিংগী শীজিন্নবা শঙ ফাওবা হুমদোকখিবগী থৌদোক থোকখি।

খুরাইগী কাইরং ফাওরগা চৎপা লম্বী পরিদংসু ইলেক্ট্রিক্কী হায় টেন্সন লাইনগী টৱার তুবদগী মফম কয়াদা মৈ ফংনখিদে। লম্লাই এরিয়াদসু অকনবা নোংলৈ নুংশিংনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখি।

## ব্রজ তাবদা মীওই ৪ শোক্লে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফক্লু ময়াই লৈকায় উপাক থোং মনাক্তা লৈবা রেটিং সেদ অমদা মীওই ৬না নোং থুম্বিপৈদা খঙহৌদনা অথাক অরাওগা লোয়ননা ব্রজ তারকপদগী মীওই ৪ শোক্লুনা জেনিমসতা লায়কক্লখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং অয়ুক পুং ১০.২০ লোম তারকপদা থোকখিবনি। শোক্লবা মীওইশিংদি ফক্লু অরাং লৈকায়দগী খুন্দোংখম দেবান (৫৫), চীংথরেল তেজপুরদগী খৌদম রোনাল্ডো (৪৭), শঙ্গোমশঙ মনা ইম্ফোলগী ময়েংবম রোমিও (৪০) অমদি ময়েংবম রতন (৫০) নি হায়রি। মখোয় মরিমক জেনিমসতা পুখৎতুনা লায়কক্লরবা মতুংদা হৌজিক্তি ফুখোংখীবগী রায়মদা লৈরে হায়রি। অদুম ওইনমক মখোয় মরিগী মনুংদা লূপাগী লিক শিখিবা দেবানগীদি ঙকশমদা শোকখম লৈরল্লগা রোনাল্ডোগীনা থবাক্তা শোক্লেমখি হায়রি।



# মপাঙ্গল কল্লবা লোগী অশাংবা খূৎ চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়ৌদ্রিবরা...

*লমায় ১গী মখা...* রোমদা চৎখি হায়রি।

থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লুচিংবা কম্বাইন্দ ফোর্সকী পর্সনেলশিং থৌদোক থোক্লিবা বেঙ্ক অসিদা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি। অদুম ওইনমক শেল লৌখিবা মীওইশিং অদুগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনখ্রবসু ফংবা ঙমখিদে। এস বি আই ব্রাঞ্চ অসিগী ব্রাঞ্চ মেনেজরগী মমিং পাওলিয়ানসাং তোন্সিং কৌই হায়রি।

থৌদোক অসি বেঙ্ক অসিগী ষ্টাফশিংগী মনুংদগী খরগা শকখঙদবশিং অদুগা লৌতুনরগা চথখিব্রা নৎত্রগা থৌওইনা শকখঙদবশিং অদুনা মতিক চাবা খূৎশু খূৎলায় পায়দুনা লাক্লগা নমদুনা কিহল্লগা শেনফমশিং অসি মুন্দুনা পুখিব্রা হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমখিদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রগসু থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীফা মীপূন অমত্তা য়াওখিদবগা লোয়ননা পুখ্রিবা শেলশিং রিকোভর তৌবা ঙমখিদ্রি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি হৌরকখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৩গী জুলাই ১০দসু চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী টিদ্দিম লম্বী অমসুং থাংজম রোদ অনীগী জঙ্কসনদা লৈবা এক্সিস বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ অমা লূট তৌদুনা লুপা কয়া লৌখিবগী থৌদোক থোকখ্রবনি। অদুগা লান অসি হৌরক্তিঙৈগী মমাঙ কুমজা ২০২০দসু চূড়াচান্দপুরদা লৈবা এস বি আইগী ব্রাঞ্চ অমদগী নুংথিল পোবোবতা লুপা ক্রোর ১.১৫ রোম লূট তৌখিবগী থৌদোক থোকখ্রবনি।

লান মনুংদা চূড়াচান্দপুরদা ইহান হান্না এক্সিস বেঙ্ককী ব্রাঞ্চদগী শেল লূট তৌখ্রবা মতুংদা উখুলদা হাংবা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ য়াওনা কাংপোকপীদা হাংবা বেঙ্ক অমদগীসু শেলশিং লূট তৌবগী থৌদোক থোকখ্রবনি। চূড়াচান্দপুরগী কে সালবুংদা হাংবা এস বি আইগী ব্রাঞ্চতা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা রিপোর্টশিং ফংবা ঙমখিদে। নুমিৎ খুদিংগী থোকপা দিপার্টমেন্ট অসিগী কন্ত্রোল রুমগী চেরোলসু ঙসিগী ওইনা নোংয়াই মতুং পুং ১২ খরা হেল্লকপা ফাওবদা ফংবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৪৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শবুংখোক খুনৌগী মনীং থংবা শরুক্তা লৈবা মালহৈবী লোক হায়না খঙনবা মফমদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ খুলশিং তম্না নোংমৈ রাউন্দ ১০ রোম কাপশিল্লকখ্রে হায়রি। শবুংখোক খুনৌগী থৌদোক অসি খক্তা নত্তনা কুকি টেররিষ্টশিংনা থম্লাপোকপী অমদি শান্তিখোংবাল এরিয়াদসু নোংমৈ রাউন্দ ৪/৫ রোম কাপশিল্লকখি হায়রি। কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা কাপখি। অদুবু নাকল অনীমক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈখিদে।

# কোভিদ ভেক্সিনগী সর্টিফিকেটতগী ...

*লমায় ১গী মখা...* মতাং অসিদা পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্লখিবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট এসেমব্লি খরগী মীখলশিংগী মতমদসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন তৌরবা মীওইশিংদা পীবা সর্টিফিকেটশিংদা য়াওবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফোটো মীখলশিং অদুগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী মতুংইন্না লৌথোকপগী থৌদোকশিং থোকপা লৈখ্রবনি।

# মথং চহীদগীদি চপ মান্নবা...

*লমায় ১গী মখা...* হায়রি।

ঙসি থোংজু বোরোই মখোঙদা লৈবা এম দল্লিয়ু এফকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোক্সকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহারনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা হায়, হয়েংগী থৌরম অসি অয়ূক পুং ১০ তারকপদগী হৌগনি। চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দারক্তুনা মোরে, চূড়াচান্দপুর, ইকৌ য়াওনা মফম কয়াদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং তাঙ্গোই ওলহনখিবা অমদি মীওই লিশীং কয়া লাঞ্জেন্নদুনা লৈহনখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা মীয়ামগী কনভেন্সন ওইনা পাঙথোক্লগা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা থোক্তনবা করি থৌরাং তৌগদগে হায়বদু মীয়াম পূন্না ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনবনি।

থৌরম অসি জিরিবাম য়াওনা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাঙথোক্কনি। মীফমশিং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা মায়োক্লদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীয়াম্নসু পূন্না শরুক য়াবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী সী এস ও অমদি লূপশিংনা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রক্লিবসি তরাম্না ওকই। হন্দক্কী ওইনা হোবে-হোবে শীনবদা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন্দা তৌনখিবা ওইরবসু মথং চহীদগীদি তোঙান্না শীন্নরবসু চপ মান্নবা ৱাখল্লোন অমদি এজেন্দা অমগী মখাদা পাঙথোকসি হায়খি।

লোয়ননা হয়েং নুমিদাং মমথরক্লবা মতমদনা য়ূমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎতুনা লমদমসিগী অৱাবা কয়াবু চাকথেকখিনবা অমসুং অমুকহন্না অৱা চৈথেং ফংদনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু আপীল তৌখি।

# লান চহী ২ শুহল্লগুমসি, য়ুনিয়ন ...

*লমায় ১গী মখা...* চীং-তম অমত্তনি, মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কাইহনবা য়ারোই হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীফম অমদি থৌরম কয়া পাঙথোক্লগদৌরি। তশেংবমক্তি অখণ্ড অহে, অহল লমন, মীয়াম, এদভাইজরি লেভেলদা লৈরবা অহল ময়াম্না পুল্লগা শেন্বা তরাগী চৈশুনসু চহী অমা ফারকপগী থৌরম অসি মণিপুরগী লূপশিংগা পুল্লগা পাঙথোকমিন্ননীংলম্বনি। অদুবু ইলেক্সন অমা লৈখিবনা তোঙানবা খরদগী পূন্না পাঙথোকপগী খুদোংচাবা অদুদি ফংহৌদ্রে। অদুবু তোঙান তোঙানবা মফমদা লূপশিংনা থৌরম পাঙথোক্লগসু লূপ খুদিংগী মীহুৎ ১/২ লেঙবীরক্তুনা হয়েং তরাগী চৈশুনা অয়ূক পুং ১১.৩০ তারকপদগী লূপ অসিগী ওফিস (পোরোম্পাৎ) কী কমপ্লিট হিয়ারিং সোল্যুসনগী মীটিং হোলদা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিদা তরাগী চৈশুগী এদভাইজর অরিবম শ্যাম (ফিল্ম মেকর) অমদি রতন থিয়াম (থিএটর দিরেক্টর) সু শরুক য়াগনি হায়খি।

কুকি লমহেন-তুহেনবা নার্কো টেররিষ্টশিংবু মতৌ করম্না থেংনগদগে হায়বদু পূন্না খন্ন-নৈনগনি। মণিপুর লৈঙাক্লা থেংনবা ৱারবসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং থম্বীদুনা লান অসি লোইশিনবীয়ু। চহী অমা মপুং ফারক্লবা লান অসি চহী ২ শুহল্লগুমসি হায়খি। নীংশিং থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন, সী এস ওশিংগী মীহুৎশিং, প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক্কী পাউমীশিংনসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

CHEMISTRY ONE STOP SOLUTION
(A Premier Coaching Institute for NEET)
REGISTRATION OPEN
for
Regular Foundation Course for NEET(2024-25)
Class Starting From 23rd May,2024 (Thursday)
Integrated Course for NEET(Class-XI)
Seats are limited
Class Starting From 13rd May,2024 (Monday)
OUR SHINING STAR
Fresher

Lanngam Ningombam 37th Rank(2022)
Rahul Naorem 57th Rank(2022)
Bidyachandra Salam AIIMS GUWAHATI (2022)
Bidyarani Thokchom 46th Rank(2023)
M Pravina 79th Rank(2023)
CONGRATULATION NEET (UG) 2023

Daina Ningthoujam 23rd Rank
Bidyarani Thokchom 46th Rank(Fresher)
Albina Yumnam 53rd Rank
Thokchom Sampresh 68th Rank
M Pravina 79th Rank(Fresher)
Laishram Nganba 86th Rank
Shinthangambi W 111th Rank
M.Dhanamanjuri Devi 126th Rank
Loitongbam Rimeshwori 160th Rank
Shougrakpam Robert 196th Rank
Chungbusnlu Gonmei 16th Rank(ST)
Bongmoliu Gongmol 26th Rank(ST)
Regina Phaomei 35th Rank(ST)
Rukho Shangne 78th Rank(ST)
Thingamla Angkang 104th Rank(ST)
At Keishamthong Aheibam Leikai, Near Keishampat Junction, Imphal
Contact No.: 7005716045/9818356483
HL-P/10562/26-30 April/3-27 May

# থাংমৈবন্দগী মফম খঙদ্রিবা খাঙেন্বম অপাম্বগী...

*লমায় ১গী মখা...* গভর্ণরদা পাউদমখি। অদুগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা মীওইশিংগী য়ূম-কৈ শানবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক অমসুং মখোয়দা য়েন্থোরক্লিবা শেলগী তেংবাঙশিংগী মতাংদসু পাউদমখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসিগী মীফম অসিদা জেনিমসকী এ আই ক্যুগী মেদিকেল মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী লৈফম চাফমগী মতাংদা মায়োক্লরক্লিবা ফীভমশিংসু পুথোক্তুনা খন্নখি।

হীরম অসিদা গভর্ণরনা চীফ মিনিষ্টরদা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক চুনবা লৈফম চাফমশিং থৌরাং তৌনবা খঙহনখি হায়রি। গভর্ণরগা উনরুবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন নুংথিল পুং ৬.১৪ রোম তারকপদা রাজ ভবনদগী থোরকখি। চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি রাজ ভবনদা লাক্তুনা গভর্ণরগা উনদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং মখোয়গীদমক লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখ্রবসু ঙসিগী মীফম অদুগী মাঙওইননা সোসল মীদিয়াদা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থম্নবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মীফম অমা কৌখ্রে হায়বা ৱাফম ভাইরেল ওইরকখিবা অদুগা মরী লৈনব্রা নৎত্রগা লৈনদব্রা হায়বদুদি ওফিসল ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.302786 |
| US Dollar | 83.489537 |
| British Pound | 104.451031 |
| Australian Dollar | 54.521638 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.531448 |
| Japanese Yen | 0.539250 |
| Malaysian Ringgit | 17.560251 |
| Singapore Dollar | 61.425444 |
| South Korean Won | 0.060750 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.263877 |
| Thai Baht | 2.258543 |

## GAS NEWS

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking upto: /11/12/23,**
Valid from: 08/12/23,
**Stock: 306**
Call ,SMS & Whatsapp
Time: 6.00am to 9.00am
Only Home delivery service
Working day 3 to 4 days
(Contact no:9863952745/ 8837482516)

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO 23/03/24**
VALID FROM 18/03/24 HOME DELIVERY ONLY CONTACT NO. 8259939561/9089709738
OFFICE TIMMING 9:AM TO 3PM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

# জিরি-টিপাইমুখ লম্বী নমথখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী অৱাং খুল মনাক্তসু ঙসি অয়ূক অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরকপদগী চীং নীংখাইরক্তুনা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা ত্রকশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াখিদ্রে। অদুম ওইনমক লাইট ভেহিকলশিংদি তঙাইফদনা লানবা য়াখি হায়রি।

# নোং মরক্তা ফর্নিচর দুকান শগুন ...

*লমায় ১গী মখা...* ফর্নিচরগী প্রোপ্রাইটর হৈক্রুজম সোমোরজিৎনা ফোঙদোরকপদা ঙসি অয়ূক ৬ লোম তারকপদা মহাক্কী অপোকপা ঐচ গুলাপিনা মহৌশাগুম্না দুকান থোঙ হাংলুবদা য়াল্লবা পোৎলমশিং অসি হুরানখ্রে হায়বা খঙলকখিবনি হায়রি।

নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবদগী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা মহাক্কী অপোকপনা দুকান অসি ছো লোনশিল্লমখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক থোকখিবা মফম অসিগী অনকপদা লৈবা ৱার্কশোপ অনীদগীসু ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা পোৎ চৈ কয়া হুরানখিবগী থৌদোক থোকখ্রবনি হায়রি।

# লূপকী থাক্তা য়ান-চে খূৎয়েক ...

*লমায় ১গী মখা...* শাগৎনবা এ টি অমসুং য়ু এন এল এফনা পূন্না ফিরেপ লৌমিন্নরে অমসুং মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোক্তনবা ফিল্ডদা থবক তৌবিরিবা নাকল অনীগী থৌমীশিংনসু হোৎনবীয়ু হায়জরি।

মখা তানা থৌদোক থোরকপদা খুদক্তা হেক্তা ৱাখৈনবা লূপ অনীগী ওইবা ৱার্কিং কন্মিটি অমা শেমদুনা হোটলাইন কম্যুনিকেসন অমসু থম্লে। লূপ অনীনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শীংনরকপা খুদিংমক থৱায় পাম্মুবা লৈতনা মায়োক্লুবা, মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন থুম ঙাক শেন্নবগী পূন্না থৌদাং লৌমিন্নবা হায়নসু য়ানরে। লূপ অনীনা লৌমিন্নরিবা ফিরেপ অসিদা ইরৈচাশিংনসু শৌগৎপীনবা নোল্লুকচরি হায়রি।

খূৎয়েক পীনখিবা চেরোল অসিদা অরাম্বাই তেঙ্গোল (জি ঐচ ক্যু) গী পি আর ও রোবিন মঙাং অমসুং চরাইরোংবা থোকচোমনা খূৎয়েক পীরি।

# ‘লাঞ্জেন্নরকখিবী ঐখোয়বু পূন্সি ...

*লমায় ১গী মখা...* তূমদুনা/হিপ্তুনা লৈরকপসিসু ঙাওগে তৌরকই। মসিদা নত্তনা তুংগীনা করি থোক্কদবা হায়বনচিংবা খল্লুবদা য়াম্না ৱাই হায়রকখি।

পূন্সিসি লৈঙাক্লা অরেম অপা খরা পীরকপসি চারগা মখোয়না করি তৌরক্কদৌরিবনো, কদোমদা থোক্লগদোইনো য়েংলগা মখোয়না পুবা মায়কৈদা চৎলগা শিবা ঙাইনা হিংবা পূন্সি ওইনা লেল্লক্লি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ঐখোয়না হৌজিক তাবদা নুংঙাইহৈরিবা পাউদি নোংমৈ কাপ্পে হায়বগী পাউনি। মরমদি ফৎত্রবা কুকিশিংনা অদুক নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরল্লগা ঐখোয়বু য়ুম কৈ মৈ থাদুনা তাল্লকখিবনিনা মখোয়বু লেম্না থানীংদে। ঐখোয়না চীংখোঙ চীংয়াদা চৎতুনা লমন খুম্বা ঙমদ্রবসু খুল ঙাকপীবা ময়াম অমদি ষ্টেট ফোর্সশিংনা লমন খুম্বনি খন্দুনা নোংমৈ কাপ্পরে হায়বা তাবা নুমিৎতা কুকি কয়াম য়াম্না শিরবগে হায়বা তাবদা নুমিৎতুমদি ৱাখল নুংঙাই। অদুগা ঈংনা তপ্পা লৈরক্লবদি লান অসি লোইরব্রা, ঐখোয়না অদুমক রিলিফ কেম্পতা থন্বীগদৌরিব্রা হায়বগী মীপাইবা পোকই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# জিরিবামসু লানফম ওইরক্কদৌরিব্রা : কুকি টেররিষ্টশিংনা...

*লমায় ১গী মখা...* নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা থাদোরকখি হায়রি।

চৈরকসিদা ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা জিরিবামগী উচারথোলদা লৈবা পাওখোলম সিংসোন (৩৮) অমসুং থানলিন নৈসেল (৫২) কৌবা মীওই অনীগী মথংশিংনা দুকান অমা অমসুং মী লৈনদ্রবা য়ূম অমা শকখঙদবশিংনা মৈ থারল্লে হায়রি।

দুকান অমসুং য়ূম অসি মৈ চাল্লকপদা দুকান অদুদি মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা থেংনহৌবদগী কনবা ঙমহৌরে। অদুগা চহী অমরোম মী লৈনরক্তবা য়ূম অদুবুনা ফায়র সর্ভিস লাক্তুনা মৈ চাকহৌদবা শরুকশিং কলহৌখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবগীদমক ৩৯-এ আরনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা খূৎশম্নদুনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদগী নুংথিল পুং ২.৩০ তারকপা ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সৈজাং-মোংবুং খুলদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা সৈজাং খুলদা লৈরম্বা বঙ্কর ১২ থুগাইখিবগা লোয়ননা খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎলকখি হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফাগৎলবশিংদি সিঙ্গল বেরেল ৬, বোর ১২গী মরূ ১০৮, বোর ১২গী কাপথোকখ্রবা কার্ত্রিজ অমা, চার্জর য়াওবা ৱাকি টোকি রেদিও সেট ৪, বুল্লেট প্রুফকী প্লেট য়াওদবা জেকেট ৭, কেরি বেগ অচৌবা অমা অমসুং মচা অমা অদুগা নোংমৈ মরূ কার্ত্রিজ হাপ্পবা বেল্ট অনীনি হায়রি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অসিগা মরী লৈননা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মথং মথং থোকচিল্লকপদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা ঙসি পীরকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ূম্ফম ওইরদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম পূম্নমক্তা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফ্যুগী অথিংবশিং কোমথোক্লবসু সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী সব সেক্সন ২গী মখাদা অথিংবা থম্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী চেরোল অসিনা অথিংবা অসিনা কোনশিল্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম পূম্নমক্তা মীওই ৫ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পূনবদা অথিংবা থমখ্রে অদুগা নোংমৈ, থাঙ, চৈ, নূঙ নৎত্রগা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং পুবদসু অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা ওর্দর অসি মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্তিবা ফাওবা ঙসিদগী হৌনা চৎনরগনি হায়রি।

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
G ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA
Many Students were certified and eligible for applying Job
Online or Offline Class Available
Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW
Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.
Admission Open
Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking,Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)
For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com
HL-B/8674/3_Apr. to 31 May_Alt